সী এম অমসুং হেল্থ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীদুনা পি ঐচ সী ক্লাকৈথেল অথুবদা শাবা লোইশিনহনবীয়ু : আর কে আনন্দ

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) :

চীফ মিনিষ্টর অমসুং হেল্থ মিনিষ্টরনা অকনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা চহী কয়া শাবা লোইশিনবীদনা লৈরক্লবা অর্বান পি ঐচ সী ক্লাকৈথেল অসি অথুবা মতমগী মনুংদা শাবা লোইশিনহনবীয়ু হায়না নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা ঙসি হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা লোয়ননা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক লোইশিন্দনা লৈরিবা অর্বান পি ঐচ সী ক্লাকৈথেলগী ফীভম য়েংশিনখ্রে। য়েংশিনখিবা অদুগা মরী লৈননা আর কে আনন্দনা হায়খি, মহাক্না এম এল এ ওইরিঙৈ কুমজা ২০১৫-১৬তা নেসনল হেল্থ মিসনগী মখাদা দি পি আর শেমদুনা ক্লাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায় হিদাকথাবীদা হৌখিবা কুমজা ২০১৬-১৭তা উরেপ-উয়ুং তম্লগা অর্বান পি ঐচ সী ক্লাকৈথেল অসি শেমগৎ-শাগৎপা হৌখিবনি। নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদা হেল্থ ক্যের সিষ্টম অসি অপগ্রেদ তৌদুনা মীয়ামদা নীংথিনা হেল্থ ক্যের ফেসিলিটি ফংহন্নবগী মীৎয়েং মখাদা পি ঐচ সী অসি শাগৎখিবনি।

কুমজা ২০১৬-১৭তা উরেপ-উয়ুং তমদুনা শেমগৎ-শাগৎপা হৌখিবা পি ঐচ সী অসি কুমজা ২০২০ লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা শেমগৎ-শাগৎপা লোইশিনবা ঙমদনা লৈবদগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদগী ৰাকৎ কয়া লাক্লি। অসিগুম্বা মীয়ামগী ৰাকৎশিং অসি তাবীনবা এ সী অসিগী এম এল এসু হৌজিক্তি লৈতবনিনা মতম কুইনা শাবা লোইশিন্দনা লৈরম্বা অসি হেল্থ দিপার্টমেন্টকা তান্নরগা করি প্রোব্লেম লৈবগে হায়বদু থিদোকপদা শেল থাদোকপগী মতম খরা ঙাইথোক ঙাইশিন তৌনবদগী শেমগৎ-শাগৎপগী থবক অসি থিন্থবনি হায়বসি খঙবা ঙম্লে। অদুবু অর্বান পি ঐচ সী অসি হৌজিক ফাওবা শাবা লোইশিন্দবনা মীয়ামদা কান্নবা পীবা ঙমদনা লৈরিবা অসি লাইবক থীবনি। পি ঐচ সী অসি শেমগৎ-শাগৎপগী শেনফমনা লুপা লাখ ৫০নি। অদুগা ইলেক্ট্রিফিকেসন অমদি সেনিটরি লেট্রিননচিংবগীনা লুপা লাখ ১০ গা হাপচিল্লগা পুন্না লুপা লাখ ৬০ রোম চঙনা শাগদবনি।

অর্বান পি ঐচ সী অসিবু শারিবশিংগী শেনফম অয়াম্বনা পীথোকখ্রে অমদি শেনফম খরা খক্তমক পীগদবা ৰাৎলি হায়নসু তাই। কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা মীয়াম অৰাবা কয়া মায়োক্লরিঙৈ চৈরক অসিদা এ সী অসিগী এম এল এসু রিজাইন তৌখিবদগী হৌজিক এ সী অসিগী মীয়াম্না ৰাকৎফম লৈতবদগী খুদোংচাদবা কয়া থেংনরি। চহী ৪ রোম হেন্না শেমগৎ-শাগৎপা লোইশিন্দনা লৈরিবা পি ঐচ সী অসি করিগুম্বা মতম চানা শাবা লোইশিল্লম্লবদি মফম অসিদা কোভিদ ক্যের সেন্টর ফাওবা হাংলম্বা য়াবনি।

চীফ মিনিষ্টর অমসুং হেল্থ মিনিষ্টরনা অকনবা মীৎয়েং চঙবীরবদি অর্বান পি ঐচ সী অসি অথুবা মতমগী মনুংদা শাবা লোইশিনবা ঙমগনি খল্লি। মরম অসিনা অথুবা মতমগী মনুংদা অর্বান পি ঐচ সী অসি শাবা লোইশিনবীদুনা মথৌ তৌহল্লগা মীয়ামদা হেল্থ ক্যেরগী ফেসিলিটি ফংহনবীয়ু। লোয়ননা বিল্ডিং অসি শাবা লোইশিনহল্লগা মথৌ তাবা ডোক্তর, নর্স অমদি পেরা মেদিকেল ষ্টাফশিং অথুবদা থারক্তুনা মথৌ পাঙথোকপা হৌহন্দুনা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ থেংনবদা মতেং ওইহনবগা লোয়ননা মীয়ামগী অনা-লায়েংদা খুদোংচাবা ফংহনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

উ চারা কয়া থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) :

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৭তা চহী ৭০ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা মহাক্কী মপোক কুমওনগী মাঙওইননা বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙসি উ চারা কয়া থাখিবগা লোয়ননা টিদ্দিম লম্বীদা লাকপা গাড়ী অমদি অচৎ-অওকশিংদা দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মায়কৈদগী অচা-অথকশিং য়েন্থোকখ্রে।

হীরমসিগা মরী লৈননা বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) হৈস্নাম ইবোয়াইমনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক কুমওন থৌরম অসি নুমীৎ ৭ নি চুপ্পা পাঙথোক্কনি। হায়রিবা নুমীৎ ৭নি অসিদা দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সনশিংদা আর্টিফিসল লিম্ব, আনোক, হোস্পিটালদা লৈরিবা অনাবশিংদা অচা-অথক য়েন্থোকপা, ওর্ফান হোমশিংদা লৈরিবশিংদা মতেং পাংবা, গ্রীন মিসনগী শরুক অমা ওইনা উ চারা কয়া থাবা অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা এ সী ৬ অসিদা সর্ভিস ৰিক মপুং ফানা পাঙথোক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

উ চারা থাখিবা অমদি অচা-অথক য়েন্থোকখিবা থৌরম অদুদা বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট আর কে বিমোলা, ভাইস প্রসিদেন্ট কে ঐচ লক্ষ্মন, জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) টি ঐচ সোমোরজিৎ, জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) হৈস্নাম ইবোয়াইমা অমসুং সেক্রেটরি সনসম প্রেমচন্দ্র মৈতৈ য়াওনা মেম্বর কয়ানা শরুক য়াখি।

শা-ষনশিং হিদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) :

হৈরোক এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা লাংমৈথেৎতা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি, থৌবালগী জোইন্ট দিরেক্টরগী মীৎয়েং মখাদা খুঙ্গং অসিদা ষন লোইরিবা লৌমীশিংগা দিপার্টমেন্ট অসিগী মীহুৎশিংগা খুৎশম্নদুনা খুঙ্গং অসিদা লোইরিবা শা-ষনশিংবু লায়না-তীন্না কয়াদগী ঙাকথোক্লবা পাক-শন্না হিদাক কাপথোকখ্রে।

শা-ষনশিং হিদাক কাপথোকখিবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ডা. ব্রোজেননা শা-ষনশিংদা মাঙজৌননা হিদাক কাপথোকহৌবগী কান্নবশিং অদু লৌমীশিংদা শুগায়না তাক্তুনা খঙহনখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা লৌমীশিংদা শা-ষনগী হেল্থ কার্দসু য়েন্থোকখি। লোয়ননা কার্দ অসি পায়বগী কান্নবশিংগী মতাংদসু লৌমীশিংদা খঙহনখি। ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ষনদা পীথক্লবা ভিটামিননচিংবা হিদাকশিংসু লেম্না য়েন্থোকখি। হিদাক কাপথোকপগী প্রোগ্রাম অসি মখা চথরকপা ওইনা খুঙ্গং অসিগী য়ুম-য়ুমদা লোইরিবা হূইশিংদসু হিদাক কাপথোকপগী থৌরম অমা অথুবা মতমদা পাঙথোল্লগনি হায়নসু ডা. ব্রোজেননা মীয়ামদা থমখি।

কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্ল রিঙৈ চৈরক অসিদা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরিগী মায়কৈদগী ওফিসলশিং থাবীরক্তুনা শা-ষনশিংদা হিদাক কাপথোকপগী প্রোগ্রাম অমা পায়খৎপীরকপা অসিগীদমক্তসু মরী লৈনবা পুন্নমকপু লাংমৈথেৎকী শা-ষন লোইরিবা লৌমীশিংনা থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

মীয়ামগী অৰাবা কোকহনবদা মতেং পাংবীনবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) :

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা কোদোম্পোকপী মমাঙ লৈকায়গী মীয়াম্না থেংনরিবা অৰাবশিং কোকহনবদা মতেং পাংবীনবা সিনিয়র ক্লব কোদোম্পোকপী (এস সী কে) অমদি অপূনবা লূপ মৈরা পায়বী কোদোম্পোকপী মমাঙ লৈকায়গী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

এস সী কেগী সেক্রেটরি জেনরেল এল নিল্লঞ্জয় মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অকিবগী মশক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি কোদোম্পোকপী মমাঙ লৈকায়দসু ওগষ্ট ৩ দা য়ৌশিল্লক্তুনা ফ্রন্ট লাইনদা থবক তৌরিবা ইচিল-ইনাও কয়া নাবা হৌরকখি। অদুগা তেনখ্রবা মতম হায়বদি ওগষ্ট ১০ ফাওবদা পুন্না মীওই ৫১ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং চাং ৰাংনা থেংনবা লৈকায় হায়বদু ওইরকখি। মসিনা মরম ওইরগা কোদোম্পোকপী মমাঙ লৈকায়গী মফম অয়াম্বা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোরকখি। কন্টেনমেন্ট জোন ওইখিবনা মরম ওইরগা খুন অসিগী মীওইশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অথিংবা থমখিবনা মীয়ামগী পুন্সিদা নোংম-নোংমগী চৈথেং কয়া নংহল্লক্লি। কোরোনাগী লানবু থেংনগদ্রা নৎত্রগা চাকখাওগী লানবু থেংনগদ্রা, খুনগী মীয়াম পুম্বা খম থেংনা অৰাবা হায়বদু ওইরে। খুন অসিগী মীয়াম অয়াম্বা লৌ-শিং উবা, ঙা ফার্ম তৌবা অমদি মতম-মতমগী থবক ইনখাং শু-নোমদুনা মরুওইবা শিনফম ওইরিবনি। মণিপুর লৈঙাক্কী থবক তৌবা মীশিংদি য়াম্না লৈতে।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৌ উবা মীওইশিং মতম চানা লৌবুক্তা চৎপা ঙমহৌদবনা লৌফম কয়া তীল তারমদুনা হন্দক চহীসু ফৌথোক হন্থগদৌরি। কোভিদ-১৯গী অকিবা লৈবনা খুন অসিদা ঙা লৌবা লাকপীদবা অমদি ঙা মচিঙ্গাক থাকপা ঙল্লক্তবদগী ঙা কয়া শিজিল্লকপনা ঙামীশিংগী শেল-থুমগী ফীভমদসু চাউনা অৰাবা মায়োক্লরে। এ সী অসিগী এম এল এসু রিজাইন তৌখিবনা ৰারবা তানফমসিদা মীয়াম ৰাবনা খম থেংলে। মরম অদুনা মীয়াম্না ৰারবা তানফম অসিদা লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীয়ু। কোভিদ-১৯গী ৰারবা মতমসিদা কোদোম্পোকপী মমাঙ লৈকায়না কোনবা মফমশিংদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপগী শেল খোম্বা পুন্নমক থিংদুনা লাক্লিবসি মখা তানা চৎনখিগনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

অফবা মহৈরোয়শিংদা মনা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ : চহী অসিগী ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামদা ফার্ষ্ট দিভিজন অমদি পোজিসন লৌরকখ্রবা অৱাং পোৎশংবম খুল্লেনগী মনুংদা লৈবা অফবা মহৈরোয়শিংবু তারাম্না ওক্তুনা মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে হায়না আর কে মিসন, অৱাং পোৎশংবম খুল্লেনগী প্রসিদেন্ট ডা. আর কে গুনচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সোসল দিভলপমেন্ট এসোসিএসন্না শীন্দুনা অফবা মহৈরোয়শিং মনা পীখিবা থৌরম অদুদা পোৎশংবম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এম মঙ্গি, সোসল দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কুমার, মেম্বর লাইশ্রম মংলেম, সৌবাম তোম্বা অমসুং আর কে মিসনগী প্রসিদেন্ট ডা. আর কে গুনচন্দ্রনচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা অহল ওইরবশিংদসু সোল অমদি শেল খুদোল তমখি হায়রি।

ককচিংবু মাঙলোমদা পুখৎনবা হোৎনবীরম্বা লাইওইখ্রবা অহলশিংগী মফমদা লাংবন হৈশোই তমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) :

হিষ্টরি সোসাইটি ককচিংনা ককচিং ঈথৈ কম্মিটি, ককচিং, কেরাচিং খুভম শেমগৎপা কম্যুনিটি অমদি ককচিং খুনমনদা লৌউ-শিংউ তৌরিবা অমদি ইংখোল কোয়রিবা মীয়ামগা পুন্না খুৎশম্নুনা শীন্দুনা ককচিংবু মাঙলোমদা পুখৎনবা হোৎনবীরম্বা লৈখিদ্রবা ইপা-ইপুশিংবু নীংশিংদুনা পাঙথোকপা অহুল্লকশুবা ইপা-ইপুশিংগী নুমীৎ ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং কেরাচিং সেকমাই তুরেল অমদি লৌশি চিংককফমদা ককচিংগী খ্বাইদগী অহল ওইরবা মশাগী চহী ১০০ হেল্লবা ময়াংলম্বম ওমোরনা লুচিংদুনা লাংবন হৈশোই তম্বা অমসুং চাক্লেন কৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা হিষ্টরি সোসাইটি ককচিংনা ককচিং লমদমদা চৎলিবা চহী ২০২০ গী ওগষ্ট থা ফাওবদা মশাগী চহী ৯০ মপুং ফাখ্রবা অমসুং অহানবা লুহোংলকপদগী হায়রিবা মতম অসি ফাওবদা পুংবা কায়দনা (মতৈ-মনাও অনীমক কায়দনা) লৈরিবা ককচিংগী অহল ওইরবা মতৈ-মনাও ৫দা কোয়না চৎতুনা খুদোলপোৎশিংসু পীখি।

ঙসিগী অহুল্লকশুবা ইপা-ইপুশিংগী নুমীৎ থৌরম অদুগা মরী লৈননা হিষ্টরি সোসাইটি, ককচিংগী সেক্রেটরি পুখ্রম্বম রাজেননা হায়খি, ককচিংগী ইপা-ইপুশিংনা অহানবা খুন্দারকফম ওইরিবা ককচিংগী য়াম্না মরুওইখ্রবা ককচিং খুনমন অমসুং ককচিংগী ইপা-ইপুশিংনা চীং কক্তুনা ককচিংগী লৌশিদা লৌউ-শিংউ য়াননবা হোৎনরকখিবা মফম চিংককফমদা ইপা-ইপুশিং অদুনা ককচিংগী তুংলমচৎ অমগীদমক হোৎনবীখিবা কয়া অদুবু নীংশিংদুনা লৈখিদ্রবা অহলশিং অদুগী মফমদা লাংবন হৈশোই কৎপনি। মমাঙথক্তগী ককচিং ঈথৈ মরুদসু ককচিংগী লৌফম কয়াদা ঈশিং পুরক্লবা সেংমাই তুরেল উনা ৰানা পৈশিন্দুনা পন থিংলগা ঈশিং থৈদুনা পুরক্লবা হোৎনবীরমখিবা কয়াগী মফমদসু লাংবন হৈশোই কৎপা থৌরম অসি মমাঙ চহীশিংদগী পাঙথোল্লম্বনি। অদুবু হন্দক চহী অসিদি মফম অদু কন্টেনমেন্ট জোন লৈবনা পাঙথোকপা ঙমদ্রে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ককচিং ঈথৈ কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়েংখোম অচৌনা ফোঙদোরকপদা, ককচিংগী লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা ককচিং লমদম অসিদা লৌউ-শিংউ য়ানবা ককচিং ঈথৈ মরুদা সেংমাই তুরেল থিংদুনা ঈশিং পুরক্লবা লম্বী শেম্বীরম্বা অমদি ককচিং লৌশি পাৎতা লৌউ-শিংউ য়ানবা চিং কক্তুনা হোৎনবীখিবা কয়া অদুবু নীংশিংদুনা অমদি মখোয়বু ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা ঙসি অহুল্লকশুবা ইপা-ইপুশিংগী নুমীৎ পাঙথোক্তুনা লাংবন হৈশোই তম্বগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। তুংদা লাক্কদৌরিবা ককচিং লমদমগী নহাশিংনা অসিগুম্নবা ককচিংগী হৌরকফম অসিবু মাঙখিদনবা অমদি কন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

লৌশিং পুক্কে

টাইপ-২ দাইবেটিসকী অনৌবা রিস্ক ফেক্টরশিং খঙবা ঙম্লে

অনৌবা 'গ্লোবেল এটলাস' ষ্টদি অমনা ইন্সোম্নিয়া (তূম্বা য়াদবা) বু টাইপ-২ দাইবেটিস নাহল্লক্লবগী রিস্ক ফেক্টর অমনি হায়না মশক তাকখ্রে। ষ্টদি অদুদা রিসার্চরশিংনা রিস্ক ফেক্টর পূন্না ১৯ আইদেন্তিফাই তৌখি, অদুগা অতোপ্পা সজেষ্টিব রিস্ক ফেক্টর ২১ অমবুনা সাইন্টিফিক ইভিদেন্স ৰাৎপনা মরম ওইরগা দিসমিস তৌখিবনি।

ইন্টর্নেসনেল দাইবেটিস ফেদরেসন (আই দি এফ) গী মতুংইন্না কুমজা ২০১৯দা মালেমগী ওইনা মীওই মিল্লিয়ন ৪৬৩ রোমদি দাইবেটিসকা লোয়ননা হিংই। কুমজা ২০১৫দনা মালেমগী এদল্ট ওইরবা অপুনবা মীওইশিংগী চাদা ৯ দি লায়না অসিনা নাখি হায়রি।

দাইবেটিস হায়বসি সুগর নৎত্রগা গ্লুকোজশিংবু হকচাংগী সেলশিংনা চুপশিনখিগদবগী মহুত্তা ঈগী ঈচেলদা ওইনা য়াওদুনা চাং য়াম্না য়াওবা হেনগৎলকপগী থৌওং অমনি। ফিভম অসি সেলশিংনা ইন্সুলিন পুথোকপা ঙম্বগী থৌওং অদু মাঙখিবদগী নৎত্রগনা, টাইপ-২ দাইবেটিসকী ওইনদি, ইন্সুলিন রেজিষ্টেন্স ওইরক্তুনা মদুবু নীংথিনা শীজিন্নবা ঙল্লক্তবদগী ওইরকই।

অকক্লবা ফেক্টরশিংনা টাইপ-২ দাইবেটিস নাহল্লকপগী রিস্ক হেনগৎহল্লি হায়বসি চহী কয়ামুক্কী মমাঙদগী রিসার্চরশিংনা খঙবা ঙমখ্রে। অসিগুম্বা রিস্ক ফেক্টরশিং অদুগী মনুংদা য়ু থকপা, ব্রেকফাষ্ট চাদবা (চারা হেনবা), নুংথিল তূম্বা, এঞ্জাইটি দিসওর্দর, য়ুরিনরি সোসিয়ম, অকক্লবা এমিনো এসিদশিং অমসুং ইনফ্লেমেটরি ফেক্টরশিং অমদি তূম্বা ৰাৎপা অসিনচিংবশিং য়াওরি।

দাইবেটোলোজিয়া কৌবা জর্নেল অমদা পব্লিস তৌরকখিবা অনৌবা ষ্টদি অমনা টাইপ ২ দাইবেটিসকী অনৌবা রিস্ক ফেক্টর ১৯ অমগা মশক খঙদোকপা ঙমখ্রে। স্বিদেনদা বেজ তৌবা রিসার্চরশিং অদুনা মখাদা তানা ইভিদেন্স ৰাৎপা রিস্ক ফেক্টর ২১ অমসুং লায়না অসিগী রিস্ক হন্থহনবা অতোপ্পা ১৫ অমগা ইভাল্যুএসন তৌখি।

রিসার্চরশিংগী টিম অদুনা মখোয়গী ফাইন্দিংশিং অদু ফংনবগীদমক 'মেন্দেলিয়ন রেন্দমাইজেসন' (এম আর) কৌবা মেথদ অমা শীজিন্নখি।

স্বিদেনগী ষ্টোকহোমদা লৈবা কেরোলিন্সকা ইনষ্টিট্যুটকী এসোসিয়েট প্রোফেসর সুসান্না লারসন অমসুং শুৱাই য়ুৱাননা দাইবেটিস জিনেটিক্স রেপ্লিকেসন এন্দ মেটা-এনালাইসিস কন্সোর্টিয়মদগী দেটা শীজিন্নখি। রিসার্চর অনী অসিনা টাইপ ২ দাইবেটিসকী কেস ৭৪,১২৪ অমদি কন্ট্রোল পার্টিসিপেন্ট ৮২৪,০০৬ ইভাল্যুএট তৌখি। পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী মিন লৌরবা চহী চাউরাক্লা ৫৫নি অদুগা মখোয়শিং অদুগী মনুংদা চাদা ৫১.৮দি নুপাশিংনি।

রিসার্চরশিং অদুনা ষ্টদি ২৩৮ স্ক্রিন তৌরবা মতুংদা ইন্দিভিজ্যুএল পেপর ৪০বু মখোয়গী এম আর ইনভেষ্টিগেসন অদুদা হাপচিনখি। মখোয়না থিজিনখিবা ফেক্টর ৯৭গী মনুংদা শুপ্নতগী ১৯খক্তংনা দাইবেটিসকী রিস্ক হেনগৎহনবা থেংনখি।

ইন্সোম্নিয়া (তূম্বা য়াদবা) অসিসু অনৌবা রিস্ক ফেক্টর অমা ওইনা আইদেন্টিফাই তৌখি। ইন্সোম্নিয়া নাদবা মীওইশিংগা চাংদম্নবদা ইন্সোম্নিয়া নাবা মীওইশিংদনা টাইপ ২ দাইবেটিস নারকপা য়াবগী চাং চাদা ১৭ হেল্লি হায়রি।

লারসননা হায়, নুংথিলগী মতমদা তূম্বা অসিসু টাইপ ২ দাইবেটিস নাহল্লক্লবগী রিস্ক ফেক্টর অমা ওইনা থেংনৈ। অদুমওইনমক, লায়না অসি ইন্সোম্নিয়াগা য়াম্না কনবা মরী অমা লৈনবা মরম্না নুংথিল তূম্বা হায়বসিখক্তংনা টাইপ ২ দাইবেটিসক নাহল্লক্লবগী ইন্দিপেন্দেন্ট রিস্ক ফেক্টর অমা ওইবরা ওইদবরা হায়বদু ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদ্রি হায়নসু মখা তাখি।

অতোপ্পা রিস্ক ফেক্টরশিংগী মনুংদা দিপ্রেসন; মৈখু শীজিন্নবা; ব্লদ প্রেসর ৰাংবা; কেফিন শীজিন্নবা; অঙাং ওইরিঙৈ অমদি অহল ওইরবা মতমদা হকচাংগী অৰূম্বা হেনবা; হকচাংগী ফেটকী চাং; ইন্টর্নেল ফেট মাস; সেচুরেটেদ অমদি পোলিঅনসেচুরেটেদ ফেট্টি এসিদ মরীগী ব্লদ প্লাজমা লেবেলশিং; এমিনো এসিদ অহুম (ভেলিন, লিউসিন অমসুং আইসোলিউসিন) গী ব্লদ প্লাজমা লেবেলশিং; এলানাইন এমিনোট্রান্সফরেজ (লিভর ফঙ্কসনদা মতেং পাংবা এঞ্জাইম অমা) গী ব্লদ প্লাজমা লেবেল অসিনচিংবশিংনি।

রিসার্চরশিং অদুনা হায়রি, 'ফাইন্দিংশিং অসি পব্লিক হেল্থ পোলিসিশিংদা তাক্তুনা টাইপ ২ দাইবেটিসতগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা কান্নহনগদবনি। প্রিভেন্সন ষ্ট্রেটিজিশিং শেম্বা মতমদা ওবেসিটি হন্থহনবা অমসুং মৈখু শীজিন্নবগী চাং (রেট) অমসুং লেবেল, অমদি মেন্টেল হেল্থ, তূম্বগী ক্বলিটি, মহৈগী থাক অমদি অঙাং পোল্লকপদা লৈবা হকচাংগী অৰূম্বগী ফিভম ফগৎহনবচিংবা তোঙান তোঙানবা পর্স্পেক্টিবতগী শেমগদবনি।'

ষ্টদি অসিগী ফাইন্দিংশিং অদুনা পব্লিক হেল্থ পোলিসি শেম্বদা কান্নগদবা মরুওইবা ইনফোর্মেসনশিং পীরগসু মসিগী য়াম্না চাউবা লিমিটেসন হায়রগদি ষ্টদি পোপ্যুলেসনগী হোমোজেনস নেচর অদুনি।

আই দি এফকী মতুংইন্না দাইবেটিসনা নারবা এদল্টশিংগী চাদা ৭৯দি অনেম্বা অমদি ময়াই ওইবা ইনকম লৈবা লৈবাকশিংদা লৈ। দাইবেটিস নারকপগী ওইথোকপা য়াবা অসি অঙৌবা মীওই কাঙলুপ (ফুরুপ) কা চাংদম্নবদা অমুবা মীওই কাঙলুপত (ফুরুপ) না চাং য়াম্না ৰাংই।

লারসননা মসিবসু ফোঙদোক্লি মদুদি, টাইপ ২ দাইবেটিসকী রিস্ক ফেক্টরশিং অসি পারি পুরি খেন্নবগী মতুংইন্নসু খরা খজিক খেন্নবা য়াই। লাইবক থীবদি অসিগুম্বা মান্নবা মখলগী এনালাইসিস অসি নন-য়ুরোপিয়ন এনসেষ্ট্রিশিংদদি পাঙথোকপা ঙমদ্রি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

চান-থক্লবা পোৎলম তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) :

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর ১২গী মনুং চনবা মোইরাং থানা লৈকায়গী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা ইমুং ৩০ রোমদা তেংবাংবা ওইনা সোসল ৱর্কর থোঙাম শান্তিগী মীৎয়েং মখাদা মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টকী জেনরেল সেক্রেটরি মাইরেম্বম উত্তম কুমারনা লুচিংবা ফ্রন্ট অসিগী মেম্বর কয়ামরুমনা চেঙ, অচাথাউ অমদি হৱাইনচিংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈকায় অসিগী ক্লবতা খুৎশিন্নখ্রে।

কন্টেনমেন্ট জোন ওইখিবদগী য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদনা লৈরিবা ইমুংশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংদা তেংবাংবা ওইনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাং পীবা অদুগা মরী লৈননা এম উত্তম কুমারনা হায়খি, সোসল ৱর্কর থোঙাম শান্তিগী মীৎয়েং মখাদা মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টনা কোভিদ-১৯গী অৰাবা মায়োক্লরবা মোইরাং এ সীগী মীয়ামদা অঙম্বা তেংবাং পীদুনা লাক্লি। ঙসিসু মোইরাং থানা লৈকায়দা লৈবা ইমুং ৩০ রোমদা তেংবাংবনি। মখা তানসু ফ্রন্ট অসিনা অঙম্বা মতেং পাংখিগনি। লোয়ননা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি ঐখোয় পুন্না থেংনমিন্নরসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

ৰাহেংবম প্রেমচান্দ কুম্বিচা, শগোলবন্দ হৈনৌপোক

নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা এন ই ই টি এগজাম কোভিদ-১৯গী এস ও পিশিং ঙাক্লা য়াম্না ফজনা মপুং ফানা পাঙথোকখি তাবদা নুংঙাই। লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী এগাজমসু লাক্লিবা নুমিৎ খরনীগী মতুংদা পাঙথোল্লগনি হায়রিবা অসিদা এগাজম থাগদৌরিবা কেন্দিদেটশিংনা মানা-মানা পামজবা এগজাম সেন্টরশিং খঞ্জবা য়াগনি হায়রিবা ৰাফম অসি য়াম্নদি ফৈ। অদুবু ময়েক শেংনা অমদি এস ও পি ঙাক্লা এগজাম পাঙথোকপা ঙমগদৌরিবরা হায়বসিদা চিংনবা লৈতবসু নত্তে। অমরোমদা ইম্ফাল মনুংদা লৈবা এল পি জি গ্যেস এজেন্সি খরা মথৌ মপুং ফানা পাঙথোকপা হায়বদু ওইদ্রে। মরম অদুনা কষ্টমরশিংনা য়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। হোম দিলিবরি তৌবিনবা তৌফম থোকপা প্রোসেসশিং তৌখ্রবসু নুমীৎ কয়ানি হৌখ্রবা ফাওবা লাকপীবা হায়বদু ওইদ্রি। য়াম্না নুংঙাইজদবা অমনা হোম দিলিবরি তৌবদা খুদোংচাদবা লৈরবসু কষ্টমরশিংনা ফোন তৌবদা হায়বিরকপা য়াই। অদুবু ফোনসু থাঙ্গৎতবা মরমনা অশেংবা ৰাফম অমত্তা খঙবা ঙমদবনা ব্লেকতা মমল ৰাংনা লৈনবা য়াওরে। অতমননা ব্লেকতা য়োনবা য়ানবা হায়দুনা এল পি গ্যেস এজেন্টশিংনা খল্লবরা হায়বা ফাওবা চিংনবা য়াওশিল্লক্লে।

জয়াদেব শর্ম্মা অরিবম, বামোন লৈকায় ব্রহ্মপুর

হৌজিক্কী মতমসে অনিংবা-অপাম্বা হায়বসু ফাবিগদরা হায়না খনবদা অকিবা অমসু লমদম অসিগী মীওইশিংনা তশেংনা ফাওরে। অদুমকপু লৈবাক মীয়াম্নসু অনিংবা-অপাম্বা ফোঙদোকপা মতমদা য়াম্না ফজবা মওংদা তৌহনিংলিবা থবকশিং অদু মচা খায়না হায়রবদি লৈঙাক্নসু কৈদৌঙৈদা শাওফম থোক্তে। লৈঙাক্নসু ফাবা-পুনবগী থবক অসি তঙাইফদনা য়াম্না কা হেন্না অকায়বা ওইরবা মতমদতা তৌহন্নিংই। অমরোমদা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসি ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংলুরবসু লাকশিনবা ঙম্বগী মতম অদু হেন্দোকখ্রে হায়না খল্লি। মালেমগী ওইনসু ইন্দিয়ানা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী কেস খ্বাইদগী ৰাংবা অনীসুবা লৈবাক ওইখ্রে। মণিপুরদসু নোংমগী য়ামদ্রবদা ১০০গী মথক্তা মপান লমদা চৎলুবগী হিষ্টরি লৈতবা মীওই কয়া পোজিটিভ ওইখৎলক্লি। অদুবু লৈঙাক্না ৰানরবা মীয়ামগী অমদি লমদম অসিগী ইকোনোমিগী য়েংলগা অনলোক-৪ চৎনহন্দুনা কোমথোকচরবসু লৈবাক মীয়াম্না তঙাইফদনা চেকশিনবগী মথৌ তারি। নৎত্রবদি অৰাবা অমগী মথক্তা অৰাবা অমা পীবা হায়বদু ওইরগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্নসু অমদি মীয়াম্নসু পুন্নমক্না অমত্তা ওইনা লৈবাক্কী য়াইফন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌহন্নিংই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী ৰাশি ফল

অইবা : ডো. ৰাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৫।০৯।২০২০ ইং, লৈবাকপোকপা;
লাংবনগী ২৮ নি পানবা।

মেষ : খোইরাংবা ফাথদ্রদি পোথাফম খঙদবা অমদি নোল্লুকপা হৈত্রদি নখা থাবগা মুক্লবা য়াবা লৈ। মরুপ মপাংগসু পুক্নিং খরা ফাথনা চত্রদি ৰারৌনবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - তপথৌ কান্নগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃষ : নঙগী ওইবা মীগী মতেং ফংজগনি অমদি ৰাখল লৈবনা খন্থরগা পাংবা থৌরমশিং মায় পাক্কনি। লেংদবা লন অমদি য়েৎনবগী মরমদদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : থবক্কী পাউ নুংঙাইবা তাবা, ইমুং মনুংগী ৰানা মায় পাক্লবগী মরম ওইবা অমদি নহৈগী লম্দা মায় পাকপগী নুংঙাইবা নুমিৎনি। য়েক্লবনদি য়েংথি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : হরাওবা, মীয়াম পুনবগী নুংঙাইবা অমদি মরুপ মপাংশিংনা লোয়নবা পাম্বা নুমিৎনি। অনম তানবদি নচাক নরলদা তাইনগনি অদুনা তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : ৰানোম থৌনোম কান্নগনি, মরুপ মপাং লোয়নবসু কান্নগনি অমদি অকল অথৌগী লমদা মীকোক থোংগনি। অদুবু পোরম শিনবা হৈবা ৰাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৰা য়াম্না ঙাঙগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কন্যা : চোপ্পা য়াবা লৈ অদুনা ৰা য়াম্না ঙাঙগনু অমদি অনৌবা থবক পাংগনু। শেল থুম অমদি ললোন ইতিক্কী লমদদি মায় পাক্কনি। অহলগী পাউতাক কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

তুলা : থবক পাংগনি, হায়বা -ঙাঙবা মীনা তাবীগনি অমদি হকচাং নুংঙাইগনি। মীয়াম্না থাগৎপিবা লৈগনি। হেন্না পামশনবনা নত্তবা ৰাখল খল্লক্কনি-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - ৰাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : মীনা থবক্তদি লাকচবা ঙমলোই, ইমুং মনুং ৰাখল মান্নগনি অমদি মীগী মতেং ফংগনি। ললোন ইতিক্কী লম্দা পুক্নিং ফাথদ্রদি নথক থোংবগা মুক্লে।
লৈশা পাখংশিংগী - চরাংনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

ধনু : ঙাঙথোকপদা মীনা তানিংগনি, অৱং অৱাক ফংবগুম নুংঙাই। নচা ননাইগী লম্দা ৰাবা অমদি নরলদা নক্লবনা য়েংশিনবা লৈবনা থিজিনবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈকাই খুম্নবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : হরাওবা, মীচং লৈবা অমদি অনৌবা থৌরম পাংবা য়াবা নুমিৎনি। ওইজবা য়াম্না ফংগনি অমদি ললোন ইতিক কান্নগনি। লৈফমগী পেন্দবা লৈরবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাবু/ফৌ।

কুম্বা : মীচং লৈ, অনিংবা থবক পাংবা কান্নগনি অমদি ৰাখল থোক্কনি। অদুবু মরুপ অফবা তাঙই অমদি নথক থোংবনা য়ানবা চৎপা ফৈ। নাপল থাদোকউ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

মিন : ইচং থৌবা অমদি হনবা লৈতনা হোৎনবনা কান্নবা অমদি মীকোক থোংবা নুমিৎনি। নকন্থিনা নরল মাঙহনবা য়াবদি লৈ, ৰানোম থৌনোম কান্নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - অশাওবনা য়েক্লবনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।